## ইরানিয়ন নেভি গল্ফতা ওপরেট তৌখিগনি

দুবাই, মে ২০ (এজেন্সি) :
যুনাইটেদ ষ্টেটসনা মেরিনর পুম্নমক যু এস ৱারসিপশিংদগী লাপ্পা লৈননবা ৱার্নিং তৌখিবা মতুং যুমশকৈশা নুমিত্তা ইরানিয়ন নেভিনা গল্ফতা রেগ্যুলর মিসনশিং কায়দনা চত্থগনি হায়না ইরানগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা থাদা যু এস নেভিগী ভেসেলশিংদা হরাসমেন্ট পীবা ইরানগী জহাজ খুদিংমক্তা এটেক তৌনবা খঙহনখিবা মতুংদা যু এসনা মেরিনিয়রশিংদা ৱার্নিং তৌখিবনি।

## অফ্রিকাদা মতেং পাংনবা অপিল তৌখ্রে

যুনাইটেদ নেসন্স, মে ২০ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ পান্দেমিক থেংনবদা অফ্রিকাবু মতেং পাংননবা মালেম পুম্বনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎনবা যুমশকৈশা নুমিত্তা যু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোর্নিও গুটরেজনা অপিল তৌখ্রে।

অফ্রিকাদা পান্দেমিক অসি হৌজিক ঙল্লিবৈগী থাক্তা লৈরি হায়রদুনা গুটরেজনা ভিদিও মেসেজ অমদা মালেম পুম্বদা পান্দেমিক অসি লোইশিলহনবদা অফ্রিকাদা হান্না লোইশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

# টাইৱানগী প্রসিদেন্টনা বৈজিংগী লৈঙাক রিজেক্ট তৌখ্রে, চাইনানা রিয়ুনিফিকেস শোয়ররোই হায়খ্রে



টাইপৈ, মে ২০, (এজেন্সি) :
টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা যুমশকৈশা নুমিত্তা চাইনাগী সোভরেন্টিগী ক্লেমশিং কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ইথৎ অসিবু ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেমসকী মখাদা পীবা ওটোনোমিগী ওফর ওইনা চাইনাগী শরুক ওইহনবগী ৱাফম য়াবা ঙম্লোই হায়খ্রে।

অনীশুবা অমসুং অরোয়বা টার্ম পায়নবগী ৱাশক লৌরবা মতুংদা পীবা স্পীচ অমদা সাইনা হায়খি মদুদি, টাইৱান অমসুং চাইনাগী মরী হৌজিক পুৱারীগা শাগোন্নরগদবা অওনবা লাকপগী তাঙ্কক অমা য়ৌরে। নাকল অনীমক্না তুং কোয়না পুন্না লৈমিন্নবা য়ানবগী অমসুং অমগা অমগা তাথিনবগী থৌওংশিং থিংনবগী লম্বী অমা পুথোক্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না প্রসিদেন্ট সাইনা ফোঙদোকখি।

চাইনাগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লৈপকনি হায়বা অচেৎপা ৱাশক অমগা লোয়ননা হৌখিবা জন্যুৱারীগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা অমুক হন্না মীরেপ ওইনা চোংথোকখিবা সাই অমসুং মহাক্কী দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টিনা চাওনা মায় পাক্তুনা মখা তানা মহাক্না টার্ম অমগসু ইথৎ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈঙাক পায়বগী ফিভম অসি লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি, চাইনানা টাইৱানবু লৈবাক অসিগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা বৈজিংগী কন্ট্রোল মখাদা লৈহনগনি হায়রিবনি। হৌজিক্কী ফিভম অসিদা ঐখোয়না মীৎয়েং থমগদবদি মরা তপ্পা, থোং মান্নবা, দেমোক্রেসি অমসুং ৱারী শানবা হায়বা ৱাহৈশিং অসিদনি। টাইৱানগী চাং হন্থগদবা অমসুং ক্রোস-ষ্ট্রেটকী হৌজিক লৈরিবা ফিভমদা চাওনা শোকহনগদবা ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেমসকী মখাদা টাইৱানবু বৈজিংনা কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম অসি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু য়াবা ঙম্লোই হায়না সাইনা চেকশিন্না ফোঙদোকখি।

সাইগী ৱাফম অসিগী পাউখুম ওইনা চাইনাগী টাইৱান এফ্যেরস ওফিসনা হায়খ্রে মদুদি, বৈজিংনা মতম চুপ্পদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগী টাইৱান পোলিসিগী মরু ওইবা শক্তম ওইরিবা ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেমস অসিবু থাদোক্তবগা লোয়ননা টাইৱানবু নীংতম্না তোখায়না লৈনবগী থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকহন্দনবা মতম চুপ্পদা হোৎনগনি।

# কম্বোদিয়ানা লৈবাক তরুক্কী ভিজিটরশিং চঙবদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে



নোম পেন, মে ২০ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক ইরান, ইটালি, জর্মনি, স্পেন, ফ্রান্স অমসুং যুনাইটেদ ষ্টেটসতগী লাকপা মীওইশিং কম্বোদিয়াদা চঙবদা অথিংবা থল্লম্বদু লৌথোক্লে হায়না যুমশকৈশা নুমিত্তা কম্বোদিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

অথিংবা কোমথোক্লবসু ফোরেন ভিজিটরশিংনা হৌজিকসু কম্বোদিয়াদা চঙলকপদা মখোয় নোভেল কোরোনাভাইরস পক্তে হায়না কনফার্ম তৌননবা পুং ৭২ দগী হেন্দবা মতমগী সার্টিফিকেট অমা পায়বগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈবা মতমদা দোলর ৫০,০০০গী হেল্থ ইন্সুরেন্স য়াওবগী প্রুফ উৎকদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

ফোরেন ভিজিটরশিং কম্বোদিয়াদা থুংলবা মতুংদা গভর্নমেন্টনা শেম-শাবা মফমদা নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসকী টেষ্টসু চত্থগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা অকুপ্পা মরোলদি পন্দবীদা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্টর মাম বুনহেংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, কম্বোদিয়নশিং অমসুং ফোরেন নেসনলশিং য়াওনা কম্বোদিয়াদা লাক্লিবা পেসেঞ্জর খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট পাঙথোকফম সেন্টরশিংদা থাজিল্লি অমসুং মখোয় পাষ্ট্যর লেবোরেটরিনা থাদোরকপা রিজল্টশিং ঙাইগদবনি।

# সাইক্লোননা মরম ওইদুনা মীওই মিলিয়ন ১.৪ হোংদোকহনখ্রে



ধকা, মে ২০ (এজেন্সি) :
সুপর সাইক্লোন অম্ফান যুমশকৈশা নুমিত্তা বাংলাদেশকী সমুদ্র খোংবান নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা লৈবাক অসিগী সমুদ্র মপানগী মফমশিংদা লৈবা মীওই মিলিয়ন ১.৪ রোম নোংলৈ নুংশিৎতগী কন্ননবা শেল্টা সেল্টরশিংদা চঙজফম লৌখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা লোকেল মীওইশিং সেল্টরশিংদা লেপ্তুনা হোনবগী থবক চত্থরি হায়না নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স কোওর্দিনেসন সেন্টরকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি কজি তাস্মিন অরা অজমিরিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু য়ৌরক্ত্রি হায়দুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেল্টরশিংদা লাকখিবা মীওই খরদি ময়ুম-ময়ুমদা হন্নখিবদগী মখোয়বু অমুক হন্না সেল্টরশিং অসিদা পুরক্নবা হোৎনরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, যুমশকৈশাগী অয়ুক পুং ৯ ফাওবদা সেল্টরশিংদা মীওই ১,৩৬৪,০০০ লৈখি। বি দি ন্যুজ ২৪গী রিপোর্ট মতুং ইন্না শাথিরবা সাইক্লোন অদু বাংলাদেশকী সমুদ্র মপান য়ৌশিল্লক্কদবা কিলোমিটর ৩৪৫ দমক ঙাইশিল্লকখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশ মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা নোংলৈ নুংশিৎকী এলার্ট চিতোগ্রাম অমসুং কোক বাজার হিথাংফমশিংগী ওইনা অচৌবা দেঞ্জর সিগনেল ৯ ফাওবা য়ৌহনখ্রে। মোংলা অমসুং পেরা হিথাংফমশিংদদি দেঞ্জর সিগনেল নম্বর ১০ ফাওবা য়ৌহনখি হায়রি।

মেট ওফিস অসিগী মতুং ইন্না মতিক-ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু যুমশকৈশাগী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা শুন্দরবন্সকী মনাক নক্লা বাংলাদেশ-ৱেষ্ট বেঙ্গল সমুদ্র মপান য়ৌরক্লগনি হায়না থাজনরি। হৌখিবা চহীদা সাইক্লোন ফানি য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মীওই মিলিয়ন ১.৫ সেল্টরশিংদা লৈহনখি। অতোপ্পা মীওই মিলিয়ন ২.২ না সাইক্লোন বুলবুলদগী কন্ননবগীদমক সেল্টরশিংনা লৈহনখিবনি।

# অফঘানিষ্টানদা তোঙান-তোঙানবা এটেক ২ দা মীওই ১০ শিরে



কাবুল, মে ২০ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানদা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা নোংমৈগী এটেক অনীদা য়ামদ্রবা খুঞ্জা ১০ শিখ্রে অমসুং অতে ১৪ না অশোক-অপন নংলে হায়না যুমশকৈশা নুমিত্তা অফগান ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অমদা কাবুলগী খা নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১৫০ রোম লাপ্পা লৈবা নোংপোক থংবা খোস প্রোভিন্সকী সাগ্রি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোর্চাকো কৌবা খুঙ্গং অমদা নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবা মতমদা রামদানগী লাইশোন পাঙথোক্লিঙৈ মনুং মোস্ক অমগী মপান্দা খুৎলায় পায়বা মশক খঙদবা মীওই খরনা তিল্লিবা মীওই খরদা নোংমৈ কাপশিনবদা মীওই অহুম শিখিবগা লোয়ননা অঙাং অমা অশোক-অপন নংখি হায়না প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন তালিব মঙ্গলনা সীনহুৱাদা ফোঙদোকখি।

লোকেল মিদিয়া তোলো ন্যুজ টি ভিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নোংপোক থংবা পার্ৱান প্রোভিন্সতসু নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবা মতমদা লাইশোন পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা চত্থরকখিবা মান্নবা এটেক অমদা খুঞ্জা ৭ শিখি অমসুং অতে ১৩ না অশোক-অপন নংখি। থৌদোক অদু থোক্লিবা খলাজাই খুঙ্গং কাবুলদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৫৫ রোম লাপ্পা লৈবা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল চারিকার সিটিগী চিদাইদা লৈবনি হায়রি।

অশোকপা মীওইশিং অদু চারিকারগী হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রি অমগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

অফঘানশিংনা শেংলবা রামদান থাগী চাকহেন তৌরিঙৈদা চত্থরকখিবা এটেকশিং অদুগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়রি। অফঘানিষ্টানদা লৈবা যু এন এসিষ্টেন্স মিসনগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২০ গী হৌরকপা থা অহুমগী মনুংদা অফঘানিষ্টানগী ভাইওলেন্সতা মীচম ৫০০ হেন্না শিখি অমসুং অতে ৭৬০ অশোক-অপন নংখি।

# ইন্দিয়ানা দব্লিয়ু ঐচ ওগী এগজিক্যুটিভ বোর্দ লুচিংলগনি



ন্যু দিল্লি, মে ২০ (এজেন্সি) :
ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)দা থাজনদবগী চাং ৱাংলকপগা লোয়ননা মালেম পুম্বনা অনৌবা লুচিংবা খননবা তকশিন্নরক্লিঙৈ মরক্তা ইন্দিয়াগী হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা দব্লিয়ু ঐ ওগী এগজিক্যুটিভ বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরগনি হায়রি।

মহাক ফম অসিগীদমক খল্লে অমসুং ইরাই নুমিত্তগী জপানগী ডা. হিরোকি নাকাতানিগী মহুৎ শীন্দুনা চার্জ পুবা হৌরগনি হায়রি। য়াম্না মরু ওইরিবা দব্লিয়ু ঐচ ওগী এগজিক্যুটিভ বোর্দ অসিদা মেম্বর ৩৪ লৈ। মখোয় টেক্নিকেল্লি ক্বাইলিফাইদ ওইদুনা মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবনি।

মেম্বর ৩৪ মক ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লিদা মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিংনা থারকখিবনি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লিদা হর্স বর্ধননা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ রেস্পোন্স অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়াদা নত্তনা মালেম পুম্বা কান্নহনগদবা মওংদা করম্বা মওংদা লিদরসিপ উৎখিবগে হায়বগী মতাংদা শাংনা ঙাঙখি। তশেংনমক ইন্দিয়াগী নোমিনি অদুবু এগজিক্যুটিভ বোর্দ অসিদা এপোইন্ট তৌবগী প্রপোজেল অদু ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লিগী মেম্বর লৈবাক ১৯৪না খুৎয়েক পীখি।

ৱারেপ অদু খুদক্তা লৌখিবা নৎত্রবসু দব্লিয়ু ঐচ ওগী সাউথ ইষ্ট এসিয়া গ্রুপনা ইন্দিয়াবু কুমজা ২০২০ দগী হৌরগা চহী ৩ এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মেম্বর ওইহন্নবা খনখিবসি হৌজিক্কী কোভিদ পান্দেমিক মনুং অসিদা য়াম্না মরু ওইবা ৱারেপনি হায়না লৌনরি। করিগুম্বা দব্লিয়ু ঐচ ওনা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা মালেমগী হকশেলগা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন অসিগী থবক মতৌশিং শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎহনবা ঙমদবা তারবদি ওর্গনাইজেসন অসিদা ফন্দিং পীবা মতম চুপ্পগী ওইনা লেপকনি হায়না যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কিহনবা লৈখ্রবনি।

# মাইগ্রেন্টশিংদা হৱাই-চেঙৱাই লেম্না পীবগী স্কিম কেবিনেটনা য়াখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২০ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কোরোনাভাইরস লোকদাউন্না মরম ওইদুনা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিংদা অত্মানির্ভার ভারত পেকেজ প্রোভিজন মখাদা থা অনী চুপ্পা লেম্না হৱাই-চেঙৱাই ফংহনবগী স্কিম অমা যুমশকৈশা নুমিত্তা যুনিয়ন কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা ফমখিবা যুনিয়ন কেবিনেট মীফমদা সেন্ট্রেল পুলদগী চাওরাক্না তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ক্রোর ৮ লোমদা থা অমগী মনুংদা মীওই অমদা চেঙ কে জি ৫গী চাংদা থা অনী হায়বদি কুমজা ২০২০গী মে অমসুং জুন অসি লেম্না ফংহন্নবগী এক্স-পোষ্ট ফেক্তো অয়াবা পীখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ কঞ্জুমর এফ্যেরস, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

থৌরাং অসিদা লুপা ক্রোর ২,৯৮২.২৭ রোমগী ফুদ সবসিদি পীবা চঙগদৌরিবনি হায়রি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্ট্রা-ষ্টেট ট্রান্সপোর্টেসনগী চাদিং অমসুং হেন্দলিংগী চার্জশিং লোয়ননা দিলরগী মার্জিন/এদিসনেল দিলর মাজিন্দা চঙগদবা অহেনবা লুপা ক্রোর ১২৭.২৫ সু সেন্টরনা মপুং ফানা পুথোক্কনি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী টোটেল সবসিদি অসি চাওরাক্না লুপা ক্রোর ৩,১০৯.৫২ রোম ওইগনি হায়রি।

থৌরাং অসিনা কোভিদ-১৯না থোকহনবা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়ানা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবশিং কোকহল্লগনি হায়না ফুদ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ)না কোনশিন্দবা মাইগ্রেন্টশিংদনা স্কিম অসিগী কান্নবা লৌবা য়াগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লন্দনদগী মীওই ১৪৫ পুরকপা আই এ ফ্লাইট বিজয়াৱাদাদা থুংখ্রে



বিজয়াৱাদা, মে ২০ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লোকদাউন্না মরম ওইদুনা বৃটিশ কেপিটেল লন্দনদা পন্দুনা লৈরকখিবা ইন্দিয়ন ১৪৫ তোংবা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অমা যুমশকৈশা নুমিত্তা বিজয়াৱাদা এয়রপোর্টতা থুংখ্রে।

লন্দনদগী পেসেঞ্জর ৩৩৩ গা লোয়ননা পাইরকখিবা ফ্লাইট অদু কোচি ফাওরগা বিজয়াৱাদাদা থুংখিবনি। হৌখিবা মার্চতা লোকদাউন হৌখিবদগী অহানবা ওইনা এয়রপোর্ট অসিদা ফ্লাইট অসি থুংখিবনি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মেদিকেল স্ক্রিনিং অমসুং ইম্মিগ্রেসন ফোর্মেলিটিশিং লোইরবা মতুংদা পেসেঞ্জরশিং অদু নুমিৎ ১৪ নিগী ক্বারন্টিনগীদমক দেজিগনেটেদ মফমশিংদা পুখি। কোভিদ-১৯ প্রোতোকোলগী মতুং ইন্না ওথোরিটিশিংনা ইন্টরনেসনল টর্মিনেল অদুদা পেসেঞ্জরশিং অদুবু হেন্দল তৌনবগী তঙাইফদবা হীরম খুদিংমক মাঙজৌননা শীন-লাংখি।

বন্দে ভারত মিসনগী মখাদা অন্ধ্র প্রদেশতা থুংবা ফ্লাইট মসিনা অহুমশুবনি। কোভিদ-১৯ লোকদাউন্না মরম ওইদুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন সিটিজনশিং হোন্নবগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা মী হোনবগী থৌরাং ওইনা মিসন অসি পায়খৎখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা ফিলিপিন্স অমসুং যুনাইটেদ অরাব এমিরেটসতগী ইনিদয়নশিং হোল্লকপা ফ্লাইট অনী ভিসাখপটনম এয়রপোর্টতা থুংখি। মনিলাদগী পাইরকখিবা ফ্লাইট অদু পেসেঞ্জর ১৬৬ কা লোয়ননা নুমিদাং পুং ৯.৫০ তাবা মতমদা থুংখি। অদুগী মমাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ তাবদা অবুদাবিদগী ইন্দিয়ন ১৪৮ পুরকপা ফ্লাইট অমা থুংখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না পেসেঞ্জর অমত্তা কোভিদ-১৯গী লাইওং উৎপা থেংনখিদে। মখোয় লোইনমক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না ক্বারন্টিন ফেসিলিটিশিংদা থাজিনখি। জেদাদগী ইন্দিয়নশিং হোল্লকপা অতোপ্পা ফ্লাইট অমসু যুমশকৈশাগী নুমিদাংদা বিজয়াৱাদাদা থুংলগনি হায়রি।

# কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুংদা অন্দরট্রাইয়লশিং থাদোক্লবা গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২০ (এজেন্সি):
ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা জেল খরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা জেলশিংদা মী চিন্না থম্বগী ফিভম লৈহন্দনবা অমসুং ইনমেটশিং অমদি ওফিসলশিংগী মরক্তা লায়না অসি শন্দোরকপা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক্তা মরু ওইবা ওর্গনাইজেসন অনীনা গভর্নমেন্টতা অন্দরট্রায়লশিং অমসুং ক্রাইম মচা-মচাশিংদা চেন্নবা মীওইশিং থাদোক্লবা অপিল তৌখ্রে।

হরিয়ানাগী সোনিটতা লৈবা ও পি জিন্দাল যুনিভর্সিটিগী জিন্দাল ইন্সটিট্যুট ওফ বিহেভিয়রেল সাইন্সেস (জে আই বি এস) অমসুং নন-গভর্নমেন্টল ওর্গনাইজেসন ইন্টরনেসনল সোসাইটি ওফ ক্রিমিনোলোজি (আই এস সী)না অপিল অদু যুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসলশিং, ষ্টেট গভর্নমেন্টকী চীফ সেক্রেটরিশিং, মরী লৈনবা জেলগী ওথোরিটিশিং অমসুং করেক্সনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা থাখ্রে হায়না যুমশকৈশা নুমিত্তা জে আই বি এসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা ইনমেট ১০০ হেন্না কোরোনাভাইরস টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবা মুম্বাইগী অর্থর রোদ জেল য়াওনা লৈবাক অসিগী জেল কয়াদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ য়ৌবগী রিপোর্ট কয়া ফোঙনখিবা মতুংদা অপিল অসিনা লৈবাক অসিগী জেল কয়াদা লৈরিবা প্রিজনরশিংগী রাইটশিং অমদি প্রিজন ষ্টাফ পুম্নমক্কী রাইটশিং ঙাকপি শেনবিনবা গভর্নমেন্টতা তকশিল্লিবনি। মী চিল্লবা জেলশিংগী ফিভম য়েংশিনবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী লুরবা তানফম অসিদা পব্লিক সেফটিদা অকিবা পীরোইদবা প্রিজনরশিংবু মতম খরগী ওইনা থাদোকপগী ৱাফম অসি য়াম্না থুনা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ইন্টরনেসনল সোসাইটি ওফ ক্রিমিনোলোজিগী বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী মেম্বর প্রোফেসর সঞ্জিব পি সাহনিনা ফোঙদোকখি।

# দিষ্ট্রিক্টশিংদগী প্রিলিমিনরি রিপোর্ট কৌখ্রে

ভুবনেশ্বর, মে ২০ (এজেন্সি):
পুং ৪৮ গী মনুংদা সাইক্লোন অম্ফানগী দেমেজ এসেসমেন্ট রিপোর্টশিং থাগৎলক্লবা যুমশকৈশা নুমিত্তা উরিষা গভর্নমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্তরশিংদা খঙহনখ্রে। প্রিলিমিনরি রিপোর্টশিং হেক ফংবগা সাইক্লোন্না মাঙতাকহনখিবশিং শেমগৎ-শাগৎপদা শেল অমদি মতম কয়াম চঙগদগে হায়বসি লেপ্পা ঙমগনি হায়রি।

নং: আইটিবিপি/৩৩শুবাবট্টালিয়ন/ঈএসটিটি-২/সীটি(জিদি)টি. সৈমিন্থাংহাওকিপ/২০২০-

**ওফিস ওফ দি কম্মান্দেন্ট**
**৩৩ শুবা বট্টালিয়ন, ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস**
**এম ঐচ এ (গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া)**
**ব্লোক - এ/১৪, ৬ শুবা ফ্লোর, গেম ভিলেজ গুৱাহাতি (অসাম)**
**ঈ মেল -itcell33rdbnitbp.gov.in, ফেক্স নং. 03612311322**

**"নোটিস"**

আই টি বি পুলিসকী ৩৩ শুবা বট্টালিয়নগী নম্বর ১৪০৫৩০৮২৯ সী টি (জি দি) টি. সৈমিন্থাং হাওকিপ অপোকপা এস ঐচ জাংমাং হাওপিক, ভিলেজ - এন জালেনফাই, পি ও এন্দ পি এস - চুড়াচান্দপুর, টেহসিল-হেংলেপ, দিষ্ট্রিক্ট চুড়াচান্দপুর, ষ্টেট-মণিপুর, পিন কোদ-৭৯৫১২৮ অসি মাঙজৌননা মতিক চাবা ওথোরিটি অমদগী অয়াবা লৌদনা হৌখিবা তাং ১৩.০২.২০২০ দগী এবসেন্ট ওইরকখিবদগী তারিখ **২৭.০৪.২০২০** দা থোকপা ওফিস ওর্দর নম্বর **১৫৩৫** অসিগী মতুং ইন্না ১৪.০২.২০২০ দগী 'দিজর্টর' অমনি হায়না লাউথোক্লে হায়বসি মশামক্তা নোটিস অসিগী খুত্থাংদা খঙহল্লি।

২. মরম অদুনা নম্বর ১৪০৫৩০৮২৯ সী টি (জি দি) টি. সৈমিন্থাং হাওকিপ অপোকপা এস ঐচ জাংমাং হাওকিপতা নোটিস অসি ফোঙবা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা মহাক্কী দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌনবগী খুদোংচাবা অমা পীবগা লোয়ননা হায়রিবসি ইন্দ্রবদি মহাক আই টি বি পুলিস ফোর্সতা সার্ভ তৌবা পামদ্রে হায়না লৌদুনা মহাকপু সর্ভিসতগী দিসমিস তৌনবগী ওর্দর থোক্লগনি হায়বসি খঙহল্লি।

**কম্মান্দেন্ট**
**৩৩ শুবা বট্টালিয়ন, আই টি বি পুলিস**

davp 19112/11/0007/2021